## লৌমীশিংগী খোঙজং কনশিনবগী তঙায় ফদবা লৈ

লক্ষ্ণৌ, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী):
ভারতিয়া শিখ সংগথনগী প্রসিদেন্ট জসবির সিংহ ভির্কনা হৌজিক চথরিবা লৌমীশিংগী খোঙজং কনশিনবগী তঙায় ফদবা লৈ হায়রদুনা দেল্লীগী বোর্দরশিংদা পুল্লিবা লৌমীশিংগী মশিং হেনগৎনবা আপীল তৌখ্রে। সেপ্টেম্বর ২৭তা কৌরিবা ভারত বন্দগী মাঙওইননা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না হায়খি, নুপীশিংনা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা খোঙজং অসিদা চাওনা মতেং পাংদুনা লাক্লি। হৌজিক অহেনবা মীওই কয়া খোঙজং অসিদা য়াওশিনগদবনি।

নোং-চিংগী ফিভম কা-হেন্না ফৎত্রবা মতমদা লৌমীশিংনা কথোকখিবশিং অমসুং প্রোটেষ্ট মনুংদা লৌমী কয়া কয়া শিখিবদু অরেম্বা তাহল্লোইদবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। য়ু পিগী শিখ লীদর অসিনা খোঙজং অদুদা অহেনবা মীওইশিংসু শরুক য়ানবা আপীল তৌখি।

## সেমিকন্দক্টর চিপ হেন্না শাবা ঙম্নবা ইন্দিয়া, য়ু এস, জপান, ওষ্ট্রেলিয়ানা এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনরগনি

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী):
য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, জপান, ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দো-পেসিফিক ক্বাদ সম্মিট পাঙথোক্লুবা মথং চয়োলদা ৱাশিংটনদা মীফম পাঙথোকপদা সিক্যুর ওইবা সেমিকন্দক্টর চিপ সপ্লায় চেইনশিং শেমগৎনবগী খোঙথাংশিং লৌখৎনবা এগ্রীমেন্ট অমা খূৎয়েক পীনবা য়ানা লৈরে হায়না জপানগী নিকৈ পাউচেগী রিপোর্টনা হায়রি।



খোঙথাং অসিগী পান্দমদি সেমিকন্দক্টর চিপশিংগী মতাংদা লেপ্তুনা মতিক ময়াই উৎথোক্লুবা হোৎনবগা লোয়ননা অকন-অরিংশিংবা হেনগৎলক্লিবা চাইনাগী মপান তাংবা হন্থহনবা অসিনি। য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা থৌবু ওইদুনা ৱাশিংটনদা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্বাদ সম্মিটতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মশা চৎতুনা শরুক য়াগনি।

নিকৈ পাউচেগী রিপোর্ট অদু সম্মিট অদুদা ইস্যু তৌগদৌরিবা অপূনবা ষ্টেটমেন্টকী দ্রাফ্ট অমদা য়ূম্ফম ওই। দ্রাফ্ট অদুনা হায়রিবদি, অরিংবা সপ্লায় চেইনশিং শেমগৎনবা লৈবাক মরিনা মখোয়গী সেমিকন্দক্টর সপ্লায় কেপাসিটিশিং লেপথোকপগা লোয়ননা থেংনরক্নদবা অশোনবশিংসু খঙদোক্কনি।

এদভান্স টেক্নোলোজিশিং শীজিন্নবা হায়বসি মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী রুলদা য়ূম্ফম ওইগদবনি হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি। সেমিকন্দক্টর চিপকী অৱাৎপা লৈরিবসি মালেমগী ওইবা প্রোব্লেমনি। মসিনা ইন্দিয়াগী ওটো অমসুং স্মার্টফোন মেন্যুফেকচরিং কম্পনিশিংদসু শোকহল্লি।

চাইনীজ টেক্নোলোজিগা লম্বা তৌবা ঙম্নবা য়ু এসকী কেপাসিটি হেনগৎহন্নবগী ওইবা য়াম্লবা দোল্লর বিলিয়ন ১৯০গী পেকেজ অমা পীননবা য়ু এস সিনেটনা লেজিসলেসন অমা চাওনা এপ্রুভ তৌখ্রবনি।

বিল অদুনা অমেরিকাগী পুৱারীদা টেক্নোলোজি রিছার্চ, সেমিকন্দক্টর দিভলপমেন্ট অমসুং মেন্যুফেকরশিংদা সবসিদি পীনবগী খ্বাইদগী চাওবা ফন্দিংগী অয়াবা পীরি। কম্প্যুটর চিফ সপ্লায়দা অশোনবা লৈবা অসিনা মহৌশাগুম গ্লোবেল দিমান্দ হেনগৎলক্লবা মতম অসিদা জি এমগুম্বা য়ু এসকী অচৌবা কম্পনিশিংনা গাড়ী শাবগী কেপাসিটিদা চাওনা শোকহল্লি।

য়ু এস কমর্স সেক্রেটরি গিনা রাইমোন্দোনা হায়, য়ু এসকী অনৌবা সেমিকন্দক্টর প্লান্ট তরেৎতগী ১০ ফাওবা লিংখৎপা য়ানবগী চাংদা ফন্দিং অদু মরাং কায়হল্লে। চাইনাগী মতাংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা মহাক্কী মমাঙদা লৈখিবা দোনাল্ড ট্রম্পকী হার্দ লাইন ফিরেপ মখা তানা শমথরি।

## স্কুলশিং অমুক হন্না হাংদোকপগী মতাংদা লৈঙাক্না ৱারেপ লৌসনু: এস সী

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী):
লৈবাক অসিগী স্কুলশিং অমুক হন্না হাংদোক্তুনা ওফলাইন ক্লাসশিং হৌবগী মতাংদা অকক্লবা মতম পীবা ৱারেপ অমা সেন্টর অমসুং ষ্টেটশিংদা দিরেক্সন পীনবা তকশিল্লদুনা দেল্লীগী ক্লাস টুৱেল্বকী মহৈরোয় ১২না থারকখিবা প্লি অমা সুপ্রিম কোর্টনা খন্নবীয়ু য়াখিদ্রে।



জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুদনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হায়খি, ফিজিকেল টিচিংগীদমক্তা কোর্ট অসিনা ষ্টেটশিংদা স্কুলশিং নৌনা অমুক হাংদোকপা হৌনবা দিরেক্সন পীবা ঙমদে। ঐখোয় কোভিদকী অনীশুবা ৱেভকী চৈথেংদগী ফিভম খরা ফরকপদা ঙাইহরি। লাইচৎ অসি অমুক করি ফিভমদা লাক্কদগে হায়বা ঙমদে।

বেঞ্চ অসিনা মখা তানা হায়খি, লৈবাক অসিদা কোভিদ ইনফেক্সন হেনগৎলকপগী মতাংদা সাইন্টিফিক দেটা নৎত্রগা মপূং ফাবা ইনফোর্মেসন লৈতে। গভর্ণমেন্টনা অঙাংশিংবু লায়না-লাইচৎ অসিদা এক্সপোজ তৌবা পামদে। জষ্টিস বি ভিনগরথনাসু য়াওবা বেঞ্চ অসিনা হায়খি, কোর্ট অসিনা লৈঙাক্কী থবক্তা খূৎ থিংজিন্দুনা ইস্যুশিং অসিগী মতাংদা ৱারেপ লৌবা ঙমদে। গভর্ণমেন্টশিংনা ৱারেপ লৌজসনু।

পিটিস্নরগী মহুৎ শীল্লিবা এদভোকেটনা হায়খি, মোলশিং অমসুং রেষ্টোরেন্টশিং হাংনরবা মতম অসিদা স্কুলশিং থোঙ লোন্দুনা লৈবা অসিনা মহৈরোয়শিংগী ৱাখলদা নুংঙাইতবা পোকহল্লে।

ৱাফম অসিদা বেঞ্চ অসিনা হায়খি, কোভিদ লাইচৎকা মরী লৈননা স্কুলশিং হাংবা নৎত্রগা হাংদবগী ৱাফম অসিদা অঙাংশিং চেন্নহল্লোইদবনি। ইস্যুশিং অসি তরাইনা লৌবা য়াদে। অসিগুম্বা মেট্টর অসি জুদিসল ৱারেপ্পা লেপকদবা নত্তে হায়না ফোঙদোক্লদুনা বেঞ্চ অসিনা এদভোকেটতা পিটিসন অদু ৱিথদ্রো তৌনবা হায়খি।

## ইলিগেল ইম্মিগ্রেসন রেকেটতা চেন্নবা মীওই অমা ফারে

চেন্নাই, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী):
ইলিগেল ইম্মিগ্রেসন রেকেটতা চেন্নবা মীওই অমা টামিল নাদু (টি এন) ক্যু ব্রাঞ্চ ওফিসনা ফারগা ইন্টেরোগেসন তৌবদগী শ্রীলঙ্কান নেসনল ১০০ হেন্না টুটুকুদি কোষ্ট ফাওরগা ষ্টেট অসিদা চঙলকখি হায়বসি খঙবা ঙমখ্রে।

টামিল নাদু পুলিসকী এলিট ক্যু ব্রাঞ্চনা ইন্টরোগেসন তৌখিবা সস্পেক্ট ষ্টারৱিননা হায়খি, মীওই কয়া শ্রীলঙ্কাদগী টামিল নাদুদা বেটচ মঙা থোক্না লাকখি। মীওইশিং অদু কন্ত্রিমেদ হিশিংদা তোংলগা লাকপনি।

টামিল নাদু য়ৌখিবা মীওই অয়াম্বা অতোপ্পা লৈবাক্তা চৎনবগীদমক কর্নাটকাগী মেঙ্গলুরুদা চৎনখি। শ্রীলঙ্কান নেসনল মশিং য়াম্না থুংলখিবা অসিনা লৈবাক অসিগী কোষ্টেল বেল্ট ইহো হোই হায়বসি উৎলি। মরু ওইনা মুম্বাই এটেক মতুংদা কোষ্ট গার্দ অমসুং অতৈ ইন্দিয়ন এজেন্সিশিংনা সমুদ্র মপান পরিং ঙাক-শেনবগী থবক কনখৎখ্রবসু টামিল নাদুগী সমুদ্র মপানশিং ইহো হোরমখি।

থাংজ নুমিৎতা ফাখিবা ষ্টারৱিন অসি শ্রীলঙ্কাগী টামিলশিংবু লোনা য়াদবা মওংদা টুটুকুদি রুট ফাওরগা ইন্দিয়াদা চঙশিন্নবা লৌতুনবদা চাওনা চেন্নবা মীশক্লি হায়না লৌনৈ। টামিল মচা ওইবা সুরেশ রাজ কৌবা শ্রীলঙ্কান অমা কেরলাগী অলুভাদা ফাখ্রবনি। মহাক কোষ্ট গার্দ অমসুং এন আই এনা শ্রীলঙ্কান ভেসেল অমদগী লুপা ক্রোর ৩,০০০গী দ্রগশিং ফারবা মতুংদা ফাগৎখিবনি। এ কে-৪৭ এসোল্ট রাইফল মঙা অমসুং নোংমৈ মরূ কয়া পুরম্বা শ্রীঙ্কান নেসনল তরুক ফাখি।

## হিমন্ত বিস্বা সর্মনা আই এম অমসুং এন এন পি জিগী লুচিংবশিং উনরগনি

গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী):
মতম শাংনা চত্থরকখিবা নাগা পীছ টোক্ক মতম খরা লেপ্লুরবা তুংদা অমুক হন্না মখা চত্থরকপা য়াবগী ফিভম লাক্লে। নোর্থইষ্ট দেমোক্রেটিক এল্লায়ন্স (নেদা)গী কনভিনরসু ওইরিবা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্বা সর্মনা অথুবা মতমদা এন এস সি এন-আই এম অমসুং এন এন পি জিশিংগী লুচিংবশিংগা উনরগনি।

রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না, এন এস সি এন-আই এম অমসুং এন এন পি জিশিংগী লুচিংবশিংগা ৱারী শাননবগীদমক হিমন্ত বিস্বা সর্মা সেপ্টেম্বর ২১ দা নাগালেন্দগী দিমাপুরদা থুংগনি। দিমাপুরগী খোঙচৎ অদুদা সর্মানা এন এস সি এন-আই এমগী জেনরেল সেক্রেটরি থুইঙালেং মুইভাগসু ৱারী শানগনি।

হৌখিবা থাখায়রোমগী মতম অসিদা নাগা পোলিটিকেল ইস্যু অমসুং ৱারী শানবা অসিগা মরী লৈননা দিভলপমেন্ট কয়া থুনা লাকখি। হৌখিবা চয়োলদা আর এন রভিবু নাগালেন্দগী গভর্ণর অমসুং নাগা পীছ টোক্ককী ইন্টরলোক্যুটরগী ফম অনীমক্তগী লৌথোকখি। রভিবু টামিল নাদুদা গভর্ণর ওইনা ট্রান্সফর তৌখি। অসামগী গভর্ণর জগদিশ মুখিবু নাগালেন্দগী অহেনবা চার্জ পায়হনবগা লোয়ননা হান্নগী ইন্টলিজেন্স ব্যুরো (আই বি) স্পেসল দিরেক্টর এ কে মিশ্রাবু নাগা পীছ প্রোসেসকী ইন্টরলোক্যুটর হাপখি।

এ কে মিশ্রা এন এস সি এন-আই এমগী লুচিংবশিংগা ৱারী শাননবা থাংজ নুমিৎতা নাগালেন্দগী দিমাপুরদা থুংখি। মহাক মথংগী নুমিৎতা এন এস সি এন-আইগী লুচিংবশিংগা ৱারী শানগনি।

## টেররিষ্ট ওসামাগী মখুরা সেপ্টেম্বর ২১ ফাওবা পুলিস রিমান্দ পীখ্রে

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী):
পাকিষ্টানগী আই এস আইনা ট্রেনিং পীখিবা টেররিষ্ট ওসামাগী মখুরা হুমাইদ-উর-রেহমন দেল্লীগী কোর্ট অমনা সেপ্টেম্বর ২৯ ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা থম্নবা য়াথং পীখ্রে হায়না ওফিসল সোর্ছশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওসামাগী মখুরা রেহমন ইরাই নুমিৎতা উত্তর প্রদেশকী কারেলি পুলিস ষ্টেসনদা সরেন্দর তৌখিবনি। রেহমননা ইন্দিয়াদা টেরর নেটৱার্ক অপুম্বদু কোওর্দিনেট তৌখি হায়না মরাল শীরি।

সেপ্টেম্বর ১৪দা দেল্লী পুলিসকী স্পেসল সেলনা পাকিষ্টাননা শৌগৎপা টেরর মোদ্যুল অমগা মরী লৈননা চত্থখিবা রেইদশিংদা পাকিষ্টাননা ট্রেন তৌখিবা জীশন অমসুং ওসামা য়াওনা মীওই তরুক ফাখি।

প্রোব অদুগী মরমদা খঙবা সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোরকখিবদা, রেহমননা ওসামা অমসুং উত্তর প্রদেশকী এলাহবাদতা লৈবা জীশন কমারবু পাকিষ্টানদা ট্রেনিং য়াওহন্নবগীদমক মুস্কাটতা থাখি।

মুস্কাট য়ৌবগা মখোয়বু পাকিষ্টান ইন্টর-সর্ভিসেস ইন্টলিজেন্স (আই এস আই)না সি রূটকী খূথাংদা গ্বাদর পোর্টতা পুখি। ওসমা অমসুং জীশনবু নুমিৎ খূদিংগী শীজিন্নবা আইটেমশিংগী মতেংগা লোয়ননা বোম অমসুং আই ঈ দিশিং শাবগী ট্রেনিং পীখি। মখোয় নোংমৈ মচা অমদি এ কে-৪৭ রাইফল হেন্দল তৌবগী ট্রেনিংসু পীখি।

ইন্টরোগেসনদা ওসামা এপ্রিলদা মুস্কাট পাংখি অমসুং মফম অদুদা মহাক্না জীশনগা উন্নখি হায়বসি খঙখি। মথংগী নুমিৎ খরনিদা অতেনবা ঈশিংগী খোঙচৎ কয়া পাঙথোকপগা লোয়ননা হিশিং কয়ারক হোংলবা মতুং মখোয়বু পাকিষ্টানগী গ্বাদর পোর্টকা নক্লবা জিওনি টাওনদা পুখি। মখোয়বু পাকিষ্টানি অমনা ওকখি অমসুং থাতাদা লৈবা ফার্মহাউস অমদা পুখি। ফার্মহাউস অদুদা পাকিষ্টানি নেসনল অহুম লৈরমখি। মখোয়গী মনুংদগী মীওই অনী জাবর অমসুং হমজানা মখোয়দা ট্রেনিং পীখি।

ওসামা অমদি জীশনদা নত্তনা অতৈ ফারবা টেররিষ্ট মরিদুসু মশক খঙলে। জান মোহম্মদ শাইখ কৌবা টেররিষ্ট অসি মুম্বাইদগীনি। অতৈ অহুমনা য়ু পিদগীনি। মুল চান্দ রাই বরেলিদগীনি, মোহম্মদ অবু বাকরনা বেহরাইচতগীনি অমসুং মোহম্মদ অমির জাভেদনা লক্ষ্ণৌদগীনি। একুজ তরুকমক সেপ্টেম্বর ২৯ ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা লৈগনি।

## অফঘান নেসনল ২ দ্রগ কে জি ২২গা কোন্ননা ফারে

নোইদা, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী):
দিরেক্টরেট ওফ রেভিন্যু ইন্টলিজেন্স (দি আর আই)না এন সী আর রিজনদা দ্রগ সপ্লায় তৌবশিংনি হায়বা অফঘান নেসনল অনী গ্রেটর নোইদাদগী ফারে হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা নোইদাদা ওফিসল সোর্ছশিংনা ফোঙদোরক্লি।

সোর্ছশিংগী মতুং ইন্না, নোংমাইজিং নুমিৎকী অহিং অথেংবদা দি আর আই ওফিসলশিংগী টিম অমনা গ্রেটর নোইদাগী সেক্টর ১৩৫ দা লৈবা য়ুম অমদা রেইদ চত্থখি। রেইদ অদুদা ওফিসলশিংনা হেরোইন অমসুং কোকেইন কে জি ২২ রোম রিকোভর তৌখি অমসুং একুজ অনীদু ফাখি।

অফঘান নেসনলশিং অদু ইন্দিয়াদা লৈবা দ্রগ নেটৱর্কশিংগা মরী লৈনবরা হায়বদু মখা তাবা প্রোবতা খঙলগনি হায়না সোর্ছশিংনা ফোঙদোকখি।

## ওক্সিজেন লেভেল হন্থরকপদগী মীওই অনী শিরে

পটনা, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী):
বিহারগী গোপালগঞ্জ দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ২ ওক্সিজেন লেভেল থুনা হন্থরকপদগী লৈখিদ্রে। মীওই অনীগী হকচাংশিংদু কোভিদ টেষ্ট পাঙথোক্তনা মখোয়গী ইমুংশিংদা শিন্নখ্রে হায়রি।

মীওই অনীদু নোংমাইজিং নুমিৎকী অহিংদা লৈখিদবনি। সদর হোস্পিটালগী দোক্টরশিংনা হকচাংশিং অদু কোভিদ ভেরিফিকেসন তৌদনা মখোয়গী ইমুংশিংদা শিন্নখিবনি।

লৈখিদ্রবশিং অদু অমনা চন্দ্রমা শর্ম্মা কৌই। মহাক ফাথা ভিলেজদগীনি। অতোপ্পদুনা নগমা খাতুন কৌই, মাঞ্জা ব্লোককী সুনৱারিয়া ভিলেজদগীনি। সদর হোস্পিটালগী সিনিয়র ফিজিসন ডা. সানাউল মুস্তাফানা ফোঙদোরকপদা, খাতুন হায়রিবা নুপী পেসেন্ট অসি নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা এদমিট তৌখি। মহাক ওক্সিজেন সপোর্ট পীনা পীনা ওক্সিজেন লেভেল খঙহন হন্থরক্তুনা হোস্পিটালগী বেদতা শিখি।

চন্দ্রমা শর্ম্মাগী মরী-মতাশিংনা মহাকপু এম্বুলেন্স অমদা হাপ্তুনা গোরাখপুরদা পুখি। লম্বীদা মহাক্কী ফিভম শোকচিল্লকখি অমসুং মহাক শ্বর নীংথিনা হোনবা ঙমখিদে। খূদক্তা ত্রিটমেন্ট তৌনবা মরী-মতাশিংনা মহাকপু সদর হোস্পিটালদা পুরকখি। তৌইগুম্বসুং মহাক লমখাংদা শিখি।

নগমা খাতুনগী মপুরোইবা মোহরম অন্সারিনা হায়খি, শ্বর হোনবদা প্রোব্লেম লৈবদগী মহাকপু ঐখোয়না সদার হোস্পিটালদা এদমিট তৌখি। মহাক লংস অমসুং খৌনাওদা ইনফেক্সন লৈবা মাল্লি হায়না দোক্টরশিংনা ঐঙোন্দা হায়রকখি। মহাক ওক্সিজেন সপোর্ট পীরবসু, নোংমাইজিং নুমিৎকী অহিংদা শিখি।

রেগুলর প্রোসেস লোইরবা মতুংদা দোক্টরশিংনা অশিবা হকচাংদু কোভিদ টেষ্ট পাঙথোক্তনা শিন্নরকখি। ঐখোয়নসু কোভিদ টেষ্ট তৌবীনবা হায়খিদে। বিহারদা কোরোনাভাইরসকী অনীশুবা ৱেভ মনুংদা মান্নবা ফিভম উখি।

***ADMISSIONS OPEN***

FOR THE ACADEMIC YEAR 2021-22

HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW !

STUDY IN ONE OF THE BEST ENGINEERING COLLEGE OF BANGALORE

*** COURSES OFFERED: ***

*B. E (COMPUTER SCIENCE)
*B. E (CIVIL)
*B. E (MECHANICAL)
*B. E (ELECTRONICS & COMMUNICATIONS)
*B. E (ARTIFICIAL INTELLIGENCE & MACHINE LEARNING)

* College Highlights *

*No Donation *Reasonable tuition fees *Beautiful college campus *Well equipped labs & training classes *Highly qualified teaching faculties *Placement in top MNC's Companies *Well furnished hostel rooms *Separate hostel for boys and girls.

CONTACT US: 9362331862, 8310788408.
OFFICE at Sagolband Meino Leirak, Imphal.

## দলিত শিখ চান্নি পঞ্জাবগী সী এম ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

চান্দিগর, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সী):
নৌনা চিফ মিনিষ্টর খল্লবা পঞ্জাবকী দলিত-শিখ অমসুং কোংগ্রেসকী লুচিংবা চরঞ্জিট সিংহ চান্নি মহাক্কী দেপ্যুটি অনীগা লোয়ননা নিংথৌকাবা নুমিৎতা কেপিটেল চান্দিগরদা ওফিস পায়বগী ৱাশক লৌখ্রে।

দেপ্যুটি সী এম অনীগী মনুংদা অমনা জাট শিখনি অমসুং অতোপ্পদুনা হিন্দু কম্যুনিটিগী মীওইনি। দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরশিং ওইনা ৱাশক লৌরিবা সুখজিন্দর সিংহ রনধৱা অমসুং ও পি সোনি অনীমক অমরিন্দর সিংহনা লুচিংখিবা মমাঙগী কাওন্সিল ওফ মিনিষ্টরদা মিনিষ্টরশিং ওইখি।

পার্টিগী লুচিংবা রাহুল গান্ধি য়ৌরকপদা থেংবদগী ৱাশক লৌবদু মিনিট ২০ থিন্থখি। হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমরিন্দর সিংহ থৌরম অদু য়াওখিদে। রূপনগর দিষ্ট্রিক্টকী চমকুর সাহিব এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী অহুম্লক লেজিসলেটর ওইনা থাগৎলক্লবা চান্নি কুমজা ২০১২দা কোংগ্রেসতা য়াওখি। মহাক্না মমাঙগী কেবিনেটতা টেক্নিকেল এদ্যুকেসন, ইন্দষ্ট্রিএল ট্রেনিং, ইমপ্লোয়মেন্ট জেনরেসন, টুরিজম অমসুং কলচরেল এফেয়র্স পায়খি। থা কয়া চুপ্পা মুক্নরক্লবা মতুংদা অমরিন্দর সিংহ থাংজ নুমিৎতা চীফ মিনিষ্টরগী ফমদগী রিজাইন তৌখি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR,
KUMBI - MANIPUR

Ref. Mutation Case No. 485/SDC/Kumbi/2021    20/09/2021

Salam Sabitri Devi W/o (L) S. Irabot Singh of Khumujamba Meitei Leikai.    -Applicant

-Vs-

Salam Irabot Singh S/o (L) S. Ningthemjao Singh of Khumujamba Meitei Leikai.    - O.P. Pattadar

/ NOTICE

Kumbi, 20-9-2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫৫-সাইতোনদা লৈবা পাট্টা নং ৩৫১ (অরিবা) অমসুং ১৩৫২/২২৫৫ (অনৌবা) সী এস দাগ নং ৩৫৯৫/৩৬৪৬ এরিয়া ০.১১২৫ একর চাওবা লম-ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: পাট্টাদার ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং-মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপ্তি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না মখা কেস চত্থগনি। মতুংদা লাকপা আপ্তি লৌজরোই।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Kumbi

HL-P/0114/21

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR,
NAMBOL

Ref. Mutation Case No. 171/SDC/NBL of 2021

1. Ashem Bishworjit Singh S/o (L) A. Ibotombi Singh, Leimapokpam Mayai Leikai
2. Ashem Thoinu Devi D/o A. Ibomcha Singh, Leimapokpam Makha Leikai
(Sl. no. 1's share 1.25 acres on the north, remaining for sl. no.2)    ... Petitioners

-Vs-

(Late) Ashem Ibotombi Singh S/o Ibomcha Singh of Leimapokpam Mayai Leikai    ... O.P.

/ NOTICE

Dt. 20-9-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 13-Ishok, Patta No. 13/259 Dag No. 1419 an area of 2.50 acres of Taothabi Class হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Nambol

HL-P/115/21

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR,
NAMBOL

Ref. Mutation Case No. 172/SDC/NBL of 2021

Wahengbam Ibotombi Singh S/o (L) W. Ibopishak Singh, Wahengkhuman Maning Leikai    ... Petitioner

-Vs-

(Late) Wahengbam Ibopishak Singh S/o (L) W. Mangol, Wahengkhuman    ... O.P.

/ NOTICE

Dt. 20-9-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 12-Leimapokpam, Patta No. 892/1345 Dag No. 2124/2480 an area of 0.93 acres of Phourel Class হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Nambol

HL-P/115/21

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR,
IMPHAL WEST-PATSOI

Ref. Mut. Case No. 388/SDC/P/21

1) Smt. Maibam Taruni Devi W/o (L) M. Gopalmacha Singh of Malom Tuliyaima.
2) Maibam Subhaschandra Meetei S/o (L) M. Gopalmacha Meetei of Malom Tuliyaima    -Petitioners

-Vrs-

Late Maibam Gopalmacha Singh S/o (L) Ibobi Singh of Malom Tuliyaima.    -Deceased Pattadar

/ NOTICE

The 20/09/2021

U/S 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার মাইবম গোপালমচা সিংহ, পীং মৃ: ইবোবী সিংহ সাং মালোম তুলিয়াইমাগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: পাৎসোই তহশিলগী খুল নং ৭৮-চঙাঙ্গৈগী অনৌবা পাট্টা নং ৫২৪/১৫৩৯, দাগ নং ১৩৯৮/২২১০ অমসুং এরিয়ানা ০.১৪ চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপ্তি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপ্তি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Patsoi

HL-P/0116/21

APOLLO ACADEMY

Moulding Medical & Engineering Career

ADMISSION OPEN

Regular Course for Medical (NEET-UG) & Engg.(JEE)-2022

Eligibility - Class XII passed

Class commencement: To be notified later (Offline Class)

DIRECT ADMISSION WITH FREESHIP ON OR BEFORE 30TH SEPT. 2021
* 91% MARKS & ABOVE IN CLASS X-2019 (BOSEM) / CLASS XII - 2021 (COHSEM)
* 95% MARKS & ABOVE IN CLASS X-2019 (CBSE) / CLASS XII - 2021 (CBSE)

DIRECT ADMISSION WITH CONCESSIONAL FEE ON OR BEFORE 30TH SEPT. 2021
* 85% MARKS - BELOW 91% (FEE CONCESSION - 20% )
* 75% MARKS - BELOW 85% (FEE CONCESSION-15%)
* SPECIAL CONCESSION TO ST/PYSICALLY CHALLANGE / MOBC STUDENTS

SPECIAL FEATURES :
* TEST SERIES ON EVERY SUNDAY
* CHAPTERWISE TEST ON EVERY MONTH
* PRACTICE SESSION ON EACH CLASS
* FOUR MOCK TEST FOR EACH 11 SC. AND 12 SC. NEET SYLLABUS
* ONE MEGA MOCK TEST ON WHOLE SYLLABUS

COVID-19 VACCINATION CERTIFICATE AT LEAST FIRST DOSE IS MANDATORY
LODGING FACILITIES FOR BOYS & GIRLS

FOR DETAILS : PLEASE CONTACT APOLLO OFFICE, NEAR AMUCO OFFICE
KWAKEITHEL BAZAR, IMPHAL - 795001

DIRECT ADMISSION 2021-22
MBBS/BDS in India/Abroad
In Top ranking Universities and Institutions

B. Sc. AGRICULTURE
B. Sc. FORESTRY
B. Sc. HORTICULTURE
B. Sc. MLT
B. Sc. MM (MEDICAL MICRO BIOLOGY
B. Sc. OPTOMETRY
BMRIT - (MEDICAL RADIOLOGY & IMAGE TECHNOLOGY
B. Sc. OT - (OPERATION THEATRE TECHNOLOGY)
BPT
DIPLOMA IN DIALYSIS
DIPLOMA IN OPTOMETRY
DIPLOMA IN X-RAY
DMLT
GNM
B. Sc. NURSING
B. Sc. FOOD TECH
B. A. MASS COMMUNICATION & JOURNALISM
BHA (BACHELOR IN HOSPITAL ADMINISTRATION)
BHM
BBA LL.B., BA LL.B.,
ENVIRONMENTAL SCIENCE
FISHERIES SCIENCE
BCOM. HONS.
BBA
B. Sc. MM (MEDICAL MICROBIOLOGY)
B. Sc. IT, B. TECH, BE
B. Sc. NAUTICAL SCIENCE
B. Sc. Hons, ANIMATION & GAMING
B. PHARM, D-PHARM
B. PHARM, LATERAL ENTRY
B. Sc. HONS. PHYSICS
B. Sc. HONS. CHEMISTRY
BA. HONS. ENGLISH/PSYCHOLOGY
BACHELOR IN FASHION DESIGN
BCA, BCA CYBER SECURITY
M. Sc. AGRONOMY
M. Sc. FORESTRY
M. Sc. HORTICULTURE
M. Sc. MLT
M. Sc. SEED SC & TECH
MPT.
M. Sc. EVS
MBA (HR, IB MARKETING, FINANCE)
M. Sc. CHEMISTRY
M. Sc. FOOD TECH
M. Sc. BIOTECHNOLOGY
M. Sc. FOOD NUTRITION DIETETICS
M. Sc. INDUSTRIAL CHEMISTRY
M. Sc. PHARMACEUTICAL CHEMISTRY
M. Sc. PLANT PATHOLOGY
M. Sc. ZOOLOGY
M. Sc. BOTANY
MA. ENGLISH
M. TECH

Sd/- WANGKHEI PUKHRAMBAM LEIRAK
Contact No. - # 7085653886, # 8837454543

HL-P/9512/5/9-3/10 (alt)